

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, MAY 14, 2015 PAGE 7


*দিল্লি দিয়রদেবিলসকী মায়কৈদগী বোল ৪৯দা রন ৭০ য়ৈদুনা আউট ওইদনা লৈখিবা বেটসমেন শ্রিয়াস আয়র*

*রোম মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবী রুসিয়াগী শান্নরোই মারিয়া সরাপোবা*

# বর্সেলোনানা বায়র্ন ম্যুনিকপু এগ্রিগেটতা ৫–৩দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে

ম্যুনিক, মে ১৩ ঃ

২০১৪–১৫গী য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা অহানবা টিমগী ওইনা স্পেনগী বর্সেলোনা চংবা ঙমখ্রে। ঙরাং মখোয়না জর্মনিগী ক্লব বায়র্ন ম্যুনিককা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচকী অনিশুবা লেগতা পাঞ্জল ২–৩দা মায়থিরবসু থা অসিগী ৬তা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল লেগতা পাঞ্জল ৩–০দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা এগ্রিগেটতা বর্সেলোনানা পাঞ্জল ৫–৩দা সেমি ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

বর্সেলোনাগী টিমদা শরুক য়ারিবা সাউথ অমেরিকাগী ষ্ট্রাইকর অহুম এম এস এন (মেসি, স্বারেজ অমসুং নেমার)গী নেটৱার্ক অসিদা বর্সেলোনা টিমবু কয়ারক হন্না মায়োক্লবা লম্বা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

থা অসিগী ৬তা অহানবা সেমি ফাইনেল লেগ বর্সেলোনগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা নৌ কেম্পতা শান্নখিবা অদুদসু এম এস এনগী অচৌবা মতেং লৈখি। মদুদা মেসিনা পাঞ্জল ২ চনখিবনি। নেমরনা পাঞ্জল ১ চনখিবনি। ঙরাং জর্মনিগী ম্যুনিক সহরদা লৈবা অলিয়ান্স অরিনাদা শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল লেগ অদুদসু নেমরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব বায়র্ন ম্যুনিকনা চেম্পিয়ন লীগ ফাইনেল য়ৌননবগীদমক মমাংগী লেগতা পাঞ্জল ০–৩দা মায়থিখিবা অদুনা ঙরাং মখোয়গী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ হেন্দুনা বর্সেলোনাবু মায়থিবা পীবা তাখিবনি। হায়রিবা থবক অদু অরাইবা অমদি ওইদবনি। অদুমকপু ভাবোক লিংশিং ৭০ হেনবনা মিংয়েং তাখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু য়ুম্বু ওইখিবা বায়র্ন ম্যুনিক অদুগী মায়কৈদগী চনবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়হকৈদগী পুশিল্লকখিবা বোল অমা বর্সেলোনগী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লকপদা মার্ক তৌদনা লৈখিবা মেধি বেনাটিয়ানা হেদ তৌশিন্দুনা ৭শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

পাঞ্জল মাংজিল থাবা য়াম্না কুইনা ঙমখিদে। বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী স্বারেজনা মহাক্কি টিম মেট মেসিদগী ফংখিবা বোল অমা নেমরদা নিংথিনা খাইদোক্তুনা ১৫শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অহানবা হাল্ফ অদুগী পুং খাই চংশিল্লকপদা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা অদুগুম্না মেসিনা ফংবা বোল অমা স্বরেজতা খাইরকখি। লোয়ননা স্বরেজনা অমুক নেমরদা পীরক্তুনা নেমরনা অশোই অঙাম য়াওদনা পাঞ্জল অদু চন্দুনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিন্দ্রিঙৈদা পাঞ্জল ২–১দা বায়র্ন ম্যুনিকপু মায়জিল থাদুনা চংখি।

বায়র্ন ম্যুনিককী অনিশুবা হাল্ফতা য়াম্না ফজবা ফুটবোল মশান্না উবা ফংলকখি। টিম অদুগী ষ্ট্রাইকিং লাইন্দা লৈরিবা শান্নরোইশিংনা মখোয়না শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকপা অমদি এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৪ খেৎনরিবা অদুসু লাম্থোক্লবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৫৯শুবা মিনিটতা জর্মনিগী ষ্ট্রাইকর রোবর্দ লিৱান্দোসিক পাঞ্জল ১ চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ওইহনখি।

বর্সেলোনগী মায়কৈদা অনিশুবা হাল্ফ অদুদা লুই স্বরেজপু পোথাহনখি। মদুনা অচৌবা মরম ওইরগা বর্সেলোনগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফতা লৈরম্বা টেম্পো য়াম্না হন্থখি। তশেংনমক মদুগী খুদোং চবা বায়র্ন ম্যুনিকনা লৌদুনা হাল্ফ অদুগী ময়াই চনশিল্লকপদা পাঞ্জল অদু চনখিবনি।

বায়র্ন ম্যুনিককী থোমাস মুল্লরনা শান্নবগী ৭৯শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা বর্সেলোনাবু মখোয়না পাঞ্জল ৩–২দা মাংজিল থাবা ঙম্লকখি। মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিট ১১ রোম অদুদা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল অনি শোত্থরিবা বায়র্ন ম্যুনিকনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু মখোয়না পাঞ্জল ৩–২দা বর্সেলোনাবু মায়থিবা পীবা ঙম্লবসু সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগতা পাঞ্জল ৩–০দা মায়থিখিবা অদুনা মরম ওইরগা এগ্রিগেটতা মখোয় পাঞ্জল ৩–৫দা মায়থিদুনা য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

অনিশুবা লেগ অদু মায় পাকখিবা অদুনা বায়র্ন ম্যুনিকনা বর্সেলোনাগী মেটচ ৭ মায়োক্লবা টিমনা পাঞ্জল অমত্তা চনহন্দবমখে মায় পাক্তুনা লাকখিবা রেকোর্দ অদু মরক থৎপা ঙমখি। অদুবু বায়র্ন ম্যুনিককী ইতিহাসতা ১১রক শুবা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল য়ৌবগী আশা অদুদি লোইশিনখি।

স্পেনগী বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী ওইনদি বায়র্ন ম্যুনিকপু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল চংলকপা অসিনা সিজন অসিদা টাইটল অহুম লৌবা য়াবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা লাক্লি। লীগ অসিগী জুন তাং ৬তা ঙসি অথেংবদা ইটালিগী জুবেন্টস অমসুং স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদকা শান্নগৌরিবা সেমি ফাইনেলগী অনিশুবা লেগকী ফল অদুনা বর্সেলোনাগী লম্বা খঙগদৌরিবনি।

থা অসিগী ৩০দা স্পেনিস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা স্পেনগী অতোপ্পা ক্লব ওইরিবা এথলেটিক বিল বাউগা লম্বা তৌনগদৌরি। মসিদসু নত্তনা স্পেনিস লীগ (লা লিগা)গী ওইনসু খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা রিয়েল মাদ্রিদতগী পুন্না পোইন্ট ৪ হেন্দুনা লৈরিবা মরমনা টাইটল অদুসু মখোয়না ফংবগী অচৌবা খুদোংচবা লৈরি।

এম এস এনগী নেটৱার্ক অসিনা পুন্না টিম অদুগী শরুক য়াখিবা কম্পিটিসনশিংদা পাঞ্জল ১১৪ চনবা ঙম্লে। মখোয় অহুম্না সিজন অমদা টিম অসিগী মায়কৈদগী ১০০ হেন্না চনবা ঙম্বা মখা তাবা সিজন কয়াসু লাকখিগনি হায়না ক্লব অসিগী কোচ ওইরিবা লুই এনরিকেনা ফোংদোকখি।



*এম এস এন (মেসি, স্বরেজ অমসুং নেমর)না পাঞ্জল চল্লবা মতুং পুন্না হরাওবা ফোংদোকমিন্নবা*



*বর্সেলোনাগী নেমরনা বায়র্ন ম্যুনিককী শান্নরোইগা বোল মুন্নবদা তুন্দনা হোৎনবা*

# ইন্দিয়া সুদিরমান কপতা লৈহৌরে

দোংগুৱান, মে ১৩ ঃ

চাইনাগী সহর দোংগুৱানদা পাং থোক্লিবা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টিম চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপকী মেটচ অমদা ইন্দিয়াবু সাউথ কোরিনা মেটচ ৪–১দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী ইন্দিয়া লৈহৌরে।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেটচ অমখক মায় পাকখিবা অদু ৱার্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোই সাইনা নেহৱাল মথন্তনি। পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রুপ মেটচতা মলেসিয়াগী মখুৎতা মেটচ ২–৩দা মায়থিবা নংখিবনি। মরম অদুনা ঙসিগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তানা খুৎমাং চাওশিন্নবগীদমক মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইখিবনি।

ঙসি অহানবা মেটচতা নুপাগী দবলসকী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী প্রানব জেরি চোপ্রা অমসুং অকসে দিৱালকরবু কোরিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৮ জুরা কিম জি জুং অমসুং কিম সা রংগী মখুৎতা ১০–২১, ১৯–২১দা মায়থিবা নংখি। মদুগী মতুং অনিশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা নুপীগী সিঙ্গলস মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৫ কোরিয়াগী বে য়িওন জুগা শান্নবদা ২২–২০, ১৭–২১, ২১–১৩দা থোইদুনা মেটচ ৫গী লম্বা অদুদা মেটচ ১–১ মান্নহনবা ঙমখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচ শান্নবদা ইন্দিয়াগী পরুপলি কসিয়বনা কোরিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৫ সোন ৱান হোগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট কসিয়বনা ১২–১৩দা থোইরবা মতুং অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা সেট অদুদা ১৪–২১, ১৩–২১দা মায়থিদুনা ইন্দিয়া কোরিয়াগী মখুৎতা মেটচ ১–২দা শোত্থদুনা লৈখি। পনবা য়াবদি, কসিয়বনা সোনবু হৌখিবা থাদা সিঙ্গপুর ওপনদা মায়থিবা পীখিবনি। অদুবু ঙসিদি উপায় লৈখিদে।

মরিশুবা মেটচ ওইনা নুপীগী দমলসতা ইন্দিয়াগী জুৱালা গুপ্তা অমসুং অস্বইনি পোনাপানা কোরিয়াগী চাং য়ে না অমসুং জুং কিয়ুন উনগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট ২১–১৮দা মায় পাক্লম্লগা অনিশুবা অমদি অহুমশুবা অদু চপ মান্নবা স্কোরদা ১২–২১, ১২–২১দা মায়থিদুনা কোরিয়না মেটচ ৩–১দা ইন্দিয়াবু মাংজিল থাদুনা চংখি।

অরোইবা মেটচ ওইনা মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং সিকি রেদিনা কোরিয়াগী কিম হা না অমসুং কো সুং হিয়ুনগা শান্নরকপদা ১২–২১, ২০–২২দা মায়থিদুনা ইন্দিয়া সুদিরমান কপ অসিদগী মেটচ অনি থংন–থংননা মায়থিদুনা লৈহৌখি।



# দিল্লি দিয়রদেবিলসনা চেন্নাই সুপর কিংস থোইখ্রবসু প্লে ওফকীদি উপায় লৈখিদ্রে

Season 8 PEPSI IPL

রাইপুর, মে ১৩ ঃ

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০গী ৮শুবা সিজনগী ঙরাং রাইপুর সহরদা শান্নখিবা ৪৯শুবা লীগ মেটচতা পোইন্ট টেবালদা মাংজিল থারিবা চেন্নাই সুপর কিংসপু দিল্লি দিয়রদেবিসনা ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীরবসু দিল্লিগী টিম অসি টুর্নামেন্ট অসিগী প্লে ওফকীদমক্তা উপায় লৈখিদ্রে।

মেটচ ১৩দা পোইন্ট ১০ খক ফংখিবা দিল্লি টিম ৮গী কম্পিটিসন অসিদা ৭শুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি। ঙরাং চেন্নাইনা টোচ ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা দিল্লিগী য়াম্না ফজরবা বোল্লিং এটেক্তা মখোয় ওভর ২০ ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১১৯ খক লৌখি।

মমাংদা ফজরম্বা বেটসমেন কয়া ঙরাংদি উপায় লৈখিদে। ওপ্পনর দুৱেন স্মিট অমসুং মেকলম মথং শিংনা রন ১৮ অমসুং ১১ লৌরম্লগা আউট তাখি। সুরেস রাইনাসু রন ১১দা আউট ওইদুদা ১০ শুবা ওভরদা চেন্নাই সুপর কিংসকী বেটসমেন ৩ শুপ্নগী রন ৬৬তা আউট ওইখি।

প্লেসিস অমসুং ধোনিনা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ৩৭ হাপচিনখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্টনর্সিপ ওইখি। দিল্লি দিয়রদেবিলসকী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী টিমদা মতম কুইনা শরুক য়ারম্লবা এক্সপরিয়েন্স লৈরিবা বোল্লর জহির খাননা রন য়াম্না পীদনা বোল লংবা ঙমখি। মহাক্না ওপ্পনর মেকলম আউট তাহনখ্রবা মতুং কেপ্টেন ধোনিবুসু রন ২৭তা আউট তাহনখি। মহাক্না পুন্না ওভর ৪ লংবদা শুপ্নগী রন ৯ পীরগা ৱিকেট অনি লৌদুনা পার্ফোমেন্স ফজখি। চেন্নাই সুপর কিংসকী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা রন ১১৯দগী হেনখিদবনা দিল্লিনা মায় পাক্লনবা রন ১২০ গী টার্গেট লৈখি।

দিল্লিগী মায়কৈদগী ওপ্পনর দিকোক রন ৩দা আউট ওইখ্রবা মতুং কেপ্টেন দুমিনিসু রন ৬তা আউট ওইদুনা রন ২৪দা বেটসমেন অনি তুখি। শ্রিয়াস আয়র অমসুং য়ুবরাজ সিংহনা দিল্লিগী ৩শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ৬৭ হাপচিনখিবা অদুনা টিম অদগী মায়ওন মায় পাকপা লোমদা ওনশিল্লকখি। য়ুবরাজনা বোল ২৮দা সিক্স অমগা ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৩২দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং অলদি মোর্কেল রন ৮দা আউট ওইখি। অদুবু আউট ওইদনা শ্রিয়াস আয়রনা বোল ৪৯দা সিক্স ১গা ফোর ১০ য়ৈখিবা অদুনা মরম ওইরগা মায় পাকপগী রন ১২০ য়ৌরকপদা মহাক আউট ওইদনা রন ৭০দা লৈখি। টিম অদগী ৱিকেট ৪ আউট ওইখিবদা অদুনা মরম ওইদুনা মেটচ অদু মখোয়না চেন্নাইবু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখি। চেন্নাই মায়থিরবসু পোইন্ট ১৬ ফংলদুনা মাংজিল থারি। মখোয়গী অরোইবা মেটচ থা অসিগী ১৬তা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মনিংদা লৈরিবা কিংস এলভেন পঞ্জাবকা শান্নরগনি।



*জহির খাননা ধোনি আউট ওইহনখিবদা য়ুবরাজকা লোয়ননা হারাওবা ফোংদোমিন্নবা*

## IPL 8 TABLE POINT

| Team | P | W | L | T | N/R | Pts | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Chennai Super Kings | 12 | 8 | 4 | 0 | 0 | 16 | +0.81 |
| Kolkata Knight Riders | 12 | 7 | 4 | 0 | 1 | 15 | +0.37 |
| Rajasthan Royals | 13 | 6 | 5 | 0 | 2 | 14 | +0.27 |
| Sunrisers Hyderabad | 12 | 7 | 5 | 0 | 0 | 14 | -0.01 |
| Royal Challengers Bangalore | 11 | 6 | 4 | 0 | 1 | 13 | +1.21 |
| Mumbai Indians | 12 | 6 | 6 | 0 | 0 | 12 | -0.30 |
| Delhi Daredevils | 12 | 4 | 8 | 0 | 0 | 8 | -0.17 |
| Kings XI Punjab | 12 | 2 | 10 | 0 | 0 | 4 | -1.58 |

## ORANGE CAP

504 RUNS

David Warner
Sunrisers Hyderabad



## MAXIMUM SIXES

30 SIXES

Chris Gayle
Royal Challengers Bangalore



## HIGHEST INDIVIDUAL SCORE

133* RUNS

AB de Villers
Royal Challengers Bangalore



## HIGHEST STRIKE RATE

197.93 STRIKE RATE

Andre Russel
Kolkata Knight Riders



## PURPLE CAP

19 WICKETS

Dwayne Bravo
Chennai Super Kings



## BEST BOLLING FIGURES

4/10 WICKETS/RUNS

Ashish Nehra
Chennai Super Kings



## BEST AVERAGES

10.06 AVERAGE

Mitchell Starc
Royal Challengers Bangalore



## BEST ECONOMY RATES

4.75 ECONOMY

Jayanta Yadav
Delhi Daredevils




**Unique Education CBSE**

Estd.2007

The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.

6-months Foundation for CBSE IX & X — 15-may - eng,maths,sc.,s-sc.

5-months Foundation CBSE XI & XII Sc. — 01-may - phy, che, bio, maths

Vacation Course for Navodaya, Sainik & Outsiders CBSE IX, X, & XIISc.

Class on 04-May
Mor -5:00 to 7:00 am
Eve -4:30 to 7:30 pm

Hostel for boys
24 Hr. Running water & Light
Attached Bathroom, Hygenic food
Walkable distance to all coaching Centre

Hostel for girls
24 Hr. Running water & Light
Attached Bathroom, Hygenic food
Free internet facility
Walkable distance to all coaching Centre

Van Service Available / Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express

**KIME TUTORIALS**

Regd. No. : 456/M/SR/2010

MtG BOOKS

An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal

ADMISSION OPEN

CLASS XII-STARTED ON 19TH MARCH
CLASS XI-1st BATCH | STARTING ON 2nd
CLASS X-2nd BATCH | WEEK OF APRIL

Faculties:
Science: Sunil Sharma(X & XII), Dr. S.N. Singh(X & XII), M. Momota Devi(X & XII), L. Anandi Devi(X & XII), Birachandra(X & XII)
Social Science: A. B Singh(X), K. Brajamani(X), Brojen Sharma(X)
English: Haridash Sharma(X), Subash Singh(X&XII), Miss Ratna M(X)
Maths: A. Nandakishore(X&XII), Ch. Ibomcha (X&XII)

♦ Van service & Hostel facility are available

For more details contact Office of KIME TUTORIALS